**RNU, IMPHAL**

**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**

**(DATE 13-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৩-০৬-২০২৪, শগোলশেন)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওইশিং ৩ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

২) রাজ্য অসিদা ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী লমগী অকুপ্পা মারোল থা অসিগী ১৮ ফাওবদা থাজিল্লকবা বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরশিংনা খঙহল্লি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি জি-সভেনগী মীফম য়াওনবগীদমক ঙসি ইটলিগীদমক ন্যু দিল্লি থাদোক্লগনি।

**--ট্যুন--**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওইশিং ফারে। মনিপুরদা শান্তি রক্সাগী ফীভম হেন্না ফগৎলকবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমদি তমগা তাইনবা মফমশিং অমসুং হেন্না খুদোংথিবা য়াবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি। মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক প্রোগী মীওই অনি ঙরাং থৌবাল জিলাগী পাপাল লমখায় এরিয়াদগী ফারে। মখোয়দগী মোবাইল ফোন মরি, শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০ অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌ শঙ্গোমশঙ এরিয়াদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমসু ফারে। মঙোন্দগী ঐচ.ই. থার্টি সিক্স হেন্দ গ্রেনেট অমা, মোবাইল ফোন অমা ফংবা ঙমখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল -দিমাপুর লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ২৫৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে। মখা তানা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

**রিলিফ(এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরকপদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী লমগী অকুপ্পা মারোল থা অসিগী ১৮ ফাওবদা থাজিল্লকবা বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরশিংনা খঙহল্লি। জিলাশিং অসিগী লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী লমগী অকুপ্পা মরোল মরী লৈনবা দি.সি ওফিসশিংদা পীশিল্লক্কদবনি । মসি সুপ্রিম কোর্টকী হুকুম অমগী মতুং ইন্না লমশিংবু ঙাকশেন্নবগীদমক খনখিবা গিতা মীতল কম্মীতিনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা

মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

**হোম (এল)ঃ** মনিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লকপা ম্যান্মার মচা ৩৮ মখোয় মখোয়গী মরমদা থীন্দোকখ্রে। রাজ্যগী হোম বিভাগকী কম্মীস্নর দেভেস দেভালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অঙাং ১১ য়াওনা ম্যান্মার মচা ৩৮ অদু মনিপুরগী মোরেদা লৈবা ইন্তিগ্রেতেদ চেকপোস্তকী খুথাংদা থীন্দোকখিবনি। মখোয়বু ভারতকী ইমিগ্রেসন ওফিসরশিংনা ম্যান্মার ওথোরিতিদা তেক্তা কায়দনা খ্শিন্নখি। মদুগী মমাংদা অতোপ্পা ম্যান্মার মচা ৩৮ অমসু হৌখিবা মে ২ দা থীন্দোকখিবনি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবামদা হৌজিক ওইরিক্লবা তুংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা রিলিফ কেম্প ৭ হাংদোক্লে। মসিদা অঙাং ৩৫৩ য়াওনা পুন্না লাঞ্জেন্নরকপা মীওই ৯৪৩ লৈরি । মসি জিলা অদুগী এস.দি.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

**কৌব্রু(এল)ঃ** কৌব্রু লৈখা লাইফম কনবা লুপনা ইরুপ লুপ্পাগী থৌরম সেকমাই তুরেলদা ঙসি অয়ুক্কী পুং ৮ দগী নুংথিলগী পুং ১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। থৌরম অসি কৌব্রু লৈখাদা লৈবা লাইফমদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা সেকমাই তুরেলদা পাঙথোকবা লেপখিবনি হায়রি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চথ্থরবিা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিফতিন বোইজ সোকর টুরনামেন্তকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা গোল্ডন এফ.এ. পেলেস কম্পোউন্দনা রোমেন এফ.সি ওইনাম থিংঙেলবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। দব্লিউ এ.সি ৱাইখোম লৈকায়না অঙানবা

এফ.সি থোংজবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি, অহুম শুবা মেটচতা ওল্ড এফ.সি উরিপোক সোরবোন থিংঙেলনা নোংপোক মহৈকোল ব্রহ্মাপুর অরিবম লৈকায়বু পাঞ্জল ১-০দা অদুগা ফেমিলি য়ুনাইতেদ লাঙ্গোল তরুং খুলনা দব্লিউ.ভি.এস.দি ৱাইখোম লৈকায়বু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।।

**শান্নবা (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্ট এসোসিয়েসন ককচিংনা শিনবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লিগ ২০২৪ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা কে.এন.এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা য়ু.বি.এস.এ মন্তকপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

পি.এম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি ইটলিগীদমক ন্যু দিল্লি থাদোক্কনি। লৈবাক অদুগী অপুলিয়াদা হয়েং পাংথোক্কদবা জি-সভেনগী মীফমদা প্রধান মন্ত্রি রেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোরেন সেক্রেটরি ভিনে ক্বাত্রানা হায়-খোংচৎ অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ৩ লক শুবা ওইনা প্রধান মন্ত্রি হেক ওইরকপগী হন্দক্কী অসিনা লৈবাক অসিগী ৱাংমদা চৎপা প্রধান মন্ত্রিগী অহানবা খোংচৎনি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা হিরম কয়াদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

মীফম অসিদা লৈবাক অসিনা শরুক য়াবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা ১১ রক শুরে। অদুগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ওইনা ৫ রক শুবনি। পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফোরেন সেক্রেটরি ভিনে ক্বাত্রানা হায়- স্বিজরলেন্দা পাঙথোক্কদবা য়ুক্রেন পিছ সম্মীটতসু ভারত শরুক য়াগনি। পনবা য়াই- সম্মীট অসিদা লৈবাক ৯০ রোম শরুক য়াগনি।

ৱাশক ঃ বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা মোহন চারন মাজি উরিষাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙরাং ৱাশক লৌখ্রে। মহাক্কা লোয়ননা উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং- কনকবরধান সিংহ দিও অমসুং প্রভাতি পারিদা লোয়ননা অতৈ মন্ত্রিশিংসু ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম ভুবনেশ্বরগী জনাতা মৈদানদা পাঙথোকখি। বিজ্ জনতা দলগী নবিন পটনায়কনা লুচিংবা সরকার অসি চহি ২৪ গী মতুংদা লোইশিল্লবা মতুং রাজ্য অসিদা হন্দক্কী অসিনা ইহান হানবা ওইনা বি.জে.পিনা সরকার পায়বনি। চহি ৫২ শুরবা চারন মাজিবু য়েৎনবা লৈতনা বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা খনখিবনি।

অমরোমদা, তেলিগু দেসম পার্টিগী লুচিংবা চন্দ্রবাবু নাইদুসু ঙরাং অন্ধ্র প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অনিমক্তা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াখি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**

**হৌজিক ৱাইখোম চিত্রাধনি লৈরে--**

**---দিত্রাধনি---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মনিপুরদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওইশিং ৩ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

২) রাজ্য অসিদা ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী লমগী অকুপ্পা মারোল থা অসিগী ১৮ ফাওবদা থাজিল্লকবা বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরশিংনা খঙহল্লি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি জি-সভেনগী মীফম য়াওনবগীদমক ঙসি ইটলিগীদমক ন্যু দিল্লি থাদোক্লগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-দ্বিজমনি**

সঙাস এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা - অমিত সাহনা শিংনবশিং মায়োকদৌরি মনিপুরগী ইসুসু নাগাগী ইসুসু মাংদা তাদুনা লৈরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিবামদা মীতৈগী য়ুম কয়া মৈ থাখ্রবা মতুংদা কুকি খুল ঙাকবা হোৎনবদা মীয়ামগী লন্বী থীংজিল্লকপদগী ইরাং থোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউচে অসিদা সি.এম বিরেন হয়েং জিরিবাম চৎলবা য়াই হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা - সি.এমগী খোংচৎ মাঙোইননা মীনিস্তর সুন্দ্রো জিরিদা থুংখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মনিপুর নিউতা- সেপ্রেট এদমিনিস্ত্রেসন দিমান্দগী মনুং চন্না চুরাচান্দপুরদা কসতম দিভিজন অমসুং সি.জি.এস.তি হাংনবা চিফ কম্মীস্নরদা চে থারম্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা - ফাষ্ট্র এম.আরদগী খুৎলায় লাকখিবগা মরী লৈননা এন.আই.এনা এফ.আই.আর লৌখৎখ্রে, থীগৎপা হৌখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা আর.এস.এসকী মোহন ভগৎৱটনা মনিপুরগী ৱাফম ফোংদোকখবা মতুংদা উধপ থাক্রেনা হংলক্লি হায়না কলর হেদলাইন পীরি। মসিগী মখাদা হৌজিক্তি প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি মনিপুরদা চৎলগদ্রা হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

নহারোলগী থৌদাংদা - চহি নৌরিবা অঙাংশিংবু অকনবা থবক শুহল্লন্বা থেংনরবদি আইনগী ওইবা চৈরাক পীবা য়াই হায়বা সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্তগী দিপ্যুতি দাইরেক্তনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সি.এমগী কনভোইদা এম্বুস চত্থরকখিবা অদু মকোক থোংবা পুসিল ওফিসরশিংনা দাইত্ব লৌদবদগীনি হায়না এম.এল.এ আর.কে ইমোনা মরাল শীরি হায়বগী পাউনা মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা খুল ঙাকপা মীওই ফাজিনখিবগীদমক খোংজোমদা খোংজং চংশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা - পুলিস পেত্রোল বারক রিভরনা য়ু.টি.এল.এ চিফকী বার্ব ৱাইয়র ফেন্সিং লৌথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- ইন্দিয়াগী ওইনা জম্মুগী মথংদা গুৱাহতিনা আই.আই.টি, আই.আই,এম অমদি এমস লৈবা অনিশুবা সহর ওইরগনি। নোথ ইষ্টকী ওইনা অনিশুবা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ত আই.আই.এম

অসামদা শারগনি হায়বা পাউ অসি এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা - মৈরা পায়বিশিংনা লন্বী থীংজিন্দুনা ভিলেজ ভোলুন্তিয়রশিং থাদোকউ হায়না খোংজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা - দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ট্রেসননা চথুরকপা ইভিক্সন দ্রাইভগী মনুং চন্না ঙরাংসু তমেংলোং বজারগী লন্বীশিংদা আইন কায়না শাজিল্লন্বা দুকানশিং তকথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - মনিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ইং ২০২৩ গী ওইনা লৌউ শিংউগী লমদা লুপা কোতি ২১১ মাংখ্রে হায়বা সার্ভে রিপোর্টকী পাউ অমা ফোংলি।

--**দ্বিজমনি**--